
# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ কথাই-মাইরেল

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইস্ট ইনস্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

**মাইরেল** হায়বসিদি ঐখোয় অয়াম্বনা খঙনরে অমসুং উনরে। অদুবু কথাই-মাইরেল নৎত্রগা কথাই হায়রিবা পাম্বী অসিদি ঐখোয় অয়াম্বনা থোইনা মশক খঙনদে। কথাই-মাইরেল পাম্বী অসি মাইরেল পাম্বীগুম্না মরী চৎলি অমসুং মহৈ অদু হেক য়েংবদা মাইরেল মাল্লি। অদুবু পাম্বী অনী অসিগী জেনেরা অমসুং ইস্পিসিস অনীমক তোঙাল্লি। কথাই-মাইরেল পাম্বী অসি ইংলিসতা কদম সীদ (Kadam Seed) নৎত্রগা লার্দ ফ্রুইট (Lard Fruit) নৎত্রগা চাইনিজ লার্দ প্লান্ট (Chinese Lard Plant) নৎত্রগা কপায়াঙ (Kapayang), অসামিজদা থেবৌ-লাতা (Thebou-Lata), অরুনাচলদা দাপুই (Dapuy), মেঘালয়াদা মি-সো-মিন্থার (Mei-soh-mynthar), নাগামিজদা থীথী (Thithi) নৎত্রগা অসা (Assa), মিজোদা খা-উম (Kha-um), ত্রিপুরাদা গুলুর (Goolur), সিক্কিমিজদা কাথিওর-পোট (Kathior-pot), চাইনিজদা য়ৌ-জা-গৌ (You-Zha-Gou), বংলাদেসিদা মাকুল (Makul), নেপালিদা দর্সানি (Darsani) নৎত্রগা গিনফাল (Ghinphal), ভিয়েটনামিজদা বিও (Beo) নৎত্রগা কেবাও (Kebao) নৎত্রগা মুরোপ (Murop) নৎত্রগা রুঙ (Rung), লাওসতা মাকলুঙ (Makklung), থাইদা কাপায়ে (Kapaye), মলেসিয়াদা পেপায়াঙ (Pepayang), ইন্দোনেসিয়াদা বিলুঙকিং (Bilungking) নৎত্রগা এরিওপিচুঙ (Ariopichung), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *হোগসোনিয়া হেটেরোক্লিতা (Hodgsonia heteroclita (Roxb.) Hook. f.& Thoms)* নৎত্রগা *ত্রাইকোসেন্থিস হেটৌরিক্লতা (Trichosanthes heteroclita Roxb.)* হায়না কৌই অমসুং *কুর্কুবিটেসী (Cucurbitaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি। কথাই-মাইরেল অসি মখল অনী শুই - অহানবগী অদুনা মনা অদু ৫ লোংই অদুগা অতোপ্পা অদুনা মনা অদু ৩ লোংই। ঐখোয়গী মণিপুরদা ফংলিবা অসিনা মনা ৫ লোংবা অদুনি অদুগা মনা ৩ লোংবা অদুদি মালেসিয়াগী লমদমদা হৌই অমসুং মদুগী বোটানিকেলগী ওইবা মমিং অদুনা *হোগসোনিয়া মেক্রোকার্পা (H. macrocarpa (Blume) Cogn.)* হায়না কৌই। কথাই-মাইরেলগী জেনেরা হোগসোনিয়া হায়বসি কুমজা ১৮৫৩দা বৃটিশকী য়াম্না ফাওরবা বোটানিষ্ট অনী হায়বদি Joseph Dalton Hooker অমসুং Thomas Thomson মখোয় অনীনা হিমালয়দা থিজিন হুমজিনখিবা মতম অদুদা মখোয়না তেংবাঙখিবা Brian Houghton Hodgson গী মমিং লৌদুনা থোনখিবনি।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না কথাই-মাইরেল পাম্বী অসি অৱা-নোংপোক ভারতকী মফমশিং চাইনাগী নোংচুপ থংবা য়ুনান অমসুং মালেসিয়াগী লমদমশিংদগী হৌরকখিবা ওইগনি। পাম্বী অসি এসিয়াগী টেম্পরেট অমসুং ত্রোপিকেলগী লমদমশিং ইন্দিয়া, বংলাদেশ, চাইনা, মালেসিয়া অমসুং নেপালগী মফমশিং মরু ওইনা মিটর ৭৫০দগী মিটর ১৫০০ ৱাংবা মফমশিংদা মহৌশাগী ওইবা মওংদা হৌই। ইন্দিয়াগী মনুংদা কথাই-মাইরেল পাম্বী অসি মণিপুর, অসাম, অরুনাচল প্রদেশ, মেঘালয়া, মিজোরাম, নাগালেন্দ, ত্রিপুরা অমসুং সিক্কিমগী চীংগী মফমশিংদা হৌবগী পাউদম লৈ। অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুং ইন্না কথাই-মাইরেল পাম্বী অসি মালেসিয়া, ম্যান ম্নার, ভিয়েটনাম, জাভা, সুমাত্রা অমসুং থাইলেন্দা অদুমক হৌই। কথাই-মাইরেল পাম্বীগী মনুংদা Hodgsonia heteroclita subsp. indochinensis অসি খুদোংথিবা কাঙলূপ (Endangered species) অমসুং অতাঙবা (Rare) ওইরে হায়না লাউথোকখ্রে।



কথাই-মাইরেল পাম্বীগী কান্নবা অসি কুমজা ১৯৬০দা চাইনাগী সাইন্টিষ্টশিংনা পাম্বী অসিগী মরূদা মীওইবদা কান্নবা থাও মখল অমা চাং য়াম্না য়াওই হায়না পাউদম্লকপদগী খঙবা ঙমখি। তশেংনমক কথাই-মাইরেলগী মরূদা মনিল কাগন্দবা (Non-Volatile) থাও অসি য়াম্না য়াওই। হায়রিবা থাও অসিদা য়াওবা খ্বাইদগী মরু ওইবা মচলশিং অদুদি লিনোলিক এসিদ (Linoleic acid) অমসুং ওলিক এসিদ (Oleic acid) অসিনি। হায়রিবা মচল অনী অসি মীওইবগী উনশা অসি থোৎতোকহনবা ঙম্বা মরম্না হায়রিবা থাও অদু মায়তৈ হীদাক (Cosmetic product) শাবদা পাম্না শীজিন্নে। কথাই-মাইরেলগী থাও অসিদা এন্টিওক্সিদেন্ট (Antioxidant) কী চাং য়াম্না য়াওবা মরম্না মখল মখা কয়াগী অনা-লায়েংগী হীদাকশিং শাবদা য়াম্না পাম্না শীজিন্নে।

কথাই-মাইরেলগী থাও অসি মখল মখা কয়াগী এঞ্জাং থোংবদসু শীজিন্নে। অৱাং নোংপোক ভারতকী মীওইশিংনা হায়রিবা থাও অসি কুইরবা মতমদগী চানদুনা লাক্লি। চাইনাগী য়ুনানগী মফমশিংদদি কথাই-মাইরেল পাম্বী অসি কুমজা ১৯৭০ অদুৱাইদগী য়াম্না পাক শন্না থাদুনা লাকপগী পাউদমসু লৈ। মপূং-মরৈ ফারবা কথাই-মাইরেলগী মহৈ অমদা পাক্তক তৌবা অচৌবা মরূ ৮ পাল্লি। মালেসিয়া অমসুং জাভাদদি কথাই-মাইরেল পাম্বীগী মনা অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদু লশিংগী মতেংনা নাতোন্দা থোমদুনা নাতোনগী লায়নাশিং মরু ওইনা পোম্বা অমসুং ঈ তাবদা শীজিন্নবগী পাউদমশিং লৈ। মদুগী মথক্তা অকংবা মনা অদু মৈ থারগা কারকপা মৈখু অদু নাতোন্না চিংশিন্দুনা শীজিন্নবসু য়াই। অরুম-লাইহৌ তৌবদা কথাই-মাইরেলগী মনা অদু ঈশিংদা ফুৎলগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনসু লায়েংনৈ। নাগালেন্দদি কথাই-মাইরেলগী মহৈ অদু শুগাইদুনা শেম্বা মলম অদু খোঙশা কারক চাথৎপদা লায়েংনৈ। নুপীনা অঙাং হেক পোকপগা মশা চিকপা-নাবা তৌবদা কথাই-মাইরেলগী থাও অদুনা চাবোকপী মমা অদুগী মশা পূম্বা তৈদুনা নোইবীবদা অনাবা অদু ফহনবা ঙম্মী হায়দুনা কুইরবা মতমদগী শীজিন্নরক্লি। কথাই-মাইরেলেগী মরূ অদু মৈদা ফজনা লৌরগা ওকশা নৎত্রগা উচেক অরৌবগী মনম চেন্দুনা ময়াম্না পাম্না চানৈ। হায়রিবা অসি নাগাশিংনা এঞ্জাং থোংবদা থাক্তুনা অহাওবা মথেলশিং শেম্মে। মরূ অসিদা ফেট চাদা ৬২.৭১, প্রোটিন চাদা ৩১.২৫ অমসুং মচল কয়ামরুম য়াওবগী পাউদম লৈ।

# ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স দে (মার্চ ৮) অমসুং সাকশার ভারত মিসন

- ডা. শর্মিলা থিংবাইজম-

**মফম-মতম্না** য়াদদুনা লাইবক থীবদগী পুন্সিগী ঙল্লিঙৈ শরুক অঙাং ওইরিঙৈদা, নহা ওইরিঙৈদা মহৈ-মশীন, লাইরিক-লাইশু তম্বা ফংহৌদ্রবা, ইবা-পাব ফাওবা হৈজহৌদ্রবা অহলশিংবু রাইট টু এদ্যুকেসনগী খুদোংচাবশিং ফংহন্নবা হোৎনরিবা এদল্ট এদ্যুকেসন প্রোগ্রামশিংগী শরুক অমা ওইনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না কুমজা ২০০৯দগী হৌদুনা সেন্ত্রেল স্পোন্সর স্কিম ওইনা চত্থরক্লিবা সাকশার ভারত মিসন অসি মরু ওইনা লৈবাক অসিগী নুপীশিংবু লাইরিক হৈহন্নবা হায়দুনা নেসনল ফিমেল লিটরেসি হায়বা মমিং থোন্দুনা কন্না চঙশিল্লক্লিবসি ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স দে পাঙথোক্লিবা অসিগা য়াম্না মরী লৈনহনবা য়াব্রা হায়না খল্লি। ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংদা লাইরিক-লাইশু তম্বদা নুপীনা খরা শোত্থনা লাকপগুম্না ঐখোয়গী মণিপুরদসু নুপীনা লাইরিক তম্বগী থবকসি ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা তৌনরকপগী ৱারী-ৱাখোঙ কয়া ফংদে। চৈথারোল কুম্বাবা লাইরিকপু চৈথারম্বশিংগী মমিংদা নুপী য়াওরম্বা থেংনদে অমদি পুয়া ময়াম অমা ইরম্বশিংগী মরক্তসু নুপী মায়চৌশিং য়াওরম্বগী ৱারী অমত্তা লৈতে। তৌইগুম্বসুং নুপীবু খুন্নাইসিদা য়াম্না ইকায়খুম্ননা অৱাংবা থাক্তা থমদুনা মখোয়গী মথৌ-মশিল কয়াবু য়াম্না লুম্না লৌনদুনা লাক্লি। ঐখোয়গী খুন্নাইসিনা মমুৎ তানা খঙঙি মদুদি খূৎ নাম্মতংনা খুবাক খুবা মখোল থোক্তে, খোঙ নাম্মতংনা চীং কাবা ওইথোক্তে হায়বসি। নুপা-নুপী অনী থোং মান্ননা চৎমিন্নরবতদা মপূং ফাবা, নুংঙাই-য়াইফবা য়ূম্বাল হায়বদু ওইগদৌরিবনি। লমদমসিদা নুপীবু কয়াম মরু ওইনা লৌনবগে হায়ববু 'ইমা-ইপা' হায়রিবসিনি। ঐখোয়গী চৎনবীদা হেন্না মরু ওইবা পোত্তুনা ৱাহৈদা মমাঙ থংনৈ। হায়বদি 'মৈ-ঈশিং-নুংশিৎ', 'নুমীৎ-থা', 'চাক-এঞ্জাং' হায়রিবা অসিদা মথংশিৎনা মৈ, নুমীৎ অমদি চাক্না হেন্না মরু ওইবনি হায়না খঙনৈ। 'ইমা' হায়বসি কয়াম মতিক মরু ওইবগে হায়বদুদি মীয়াম্না থোইদোক-হেন্দোক্না খঙনরবনি। 'লৈমা-নিংথৌ' হায়নসু হায়নরল্লিবসিনি। মতাংসিদা ফ্রান্সকী নেপোলিয়ন্না হায়রম্বা 'অফবা ইমা অমা পীয়ু মালেম পূম্বা মায়থীবা পীগে' হায়বসিগী নুংগী ৱাখল্লোন্দু নৈনবা কান্নগনি হায়না খল্লি। হায়নরিবসিনি - "If you teach a boy, you teach an individual. If you teach a girl, you teach a family" য়ূমগী নৎত্রগা খুল-লৈকায়গী, মীয়ামগী ৱা খন্ন-নৈনবদা, ৱারেপ লৌবদা নুপীশিংবুসু য়াওহনবা য়াম্না মথৌ তারক্লি। মসিবু কৌই থবক তৌবদা ওয়-য়েৎ, তুং-মাং য়েংহৌবা হায়বদু। মরমদি মীওইবগী খুন্নাইসি নুপাগা নুপীখক্তনা শেম্বনি। ৱা তান্নবদা নুপী-অঙাং মপান থোরক্কনু হায়বা মতমগা চুনদ্রবা চৎনবী অদু কয়াম কুইনা থমখিসিগে? পূম্নমকসি নৈনদুনা ঐখোয় পূম্বনা খঙমিন্নগদবসি, নাৎ-পু তামিন্নগদবা অসি 'লাক্লিবা চহীচা অসিদি নুপা খূৎলিংবা খুন্নাই' অদু য়াররোই, 'Woman Empowerment' গী মতমদু লাক্লে হায়বসিনি। 'বেটি বচাও, বেটি পরাও' হায়বা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অচৌবা স্কিম অসি মীয়াম্না খঙনরবা ঙাক্তনি। নুপীবু মপাঙ্গল অমদি মথৌনা-মরিংজেল হাপ্পীবা মথৌ য়াম্না তারক্লি। ইমুংদা অমদি খুন্নাইদা নুপীশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিং অসি ফজনা খঙবীদুনা পূক্নিং থৌগৎপীবা অমা চঙলি। হীরম খুদিংমক্তা নুপীশিংসু য়াওশিল্লক্তুনা ঙসিদি খুন্নাইদা কান্নবা ৱাখল লৌশিং কয়া খুদোল তৌরক্লি।

নোংমগী চরা তাঞ্জবদা অমদি য়ূমগী চাকথোং-ফৌশু, কুপনোমদা মীকুপ অমত্তা পোত্থাবা ফংজদ্রবী ঐখোয়গী ইমা-ইবেন, ইচে-ইচল অমদি ইনে-ইন্দোলশিংদা ইবা-পাব হৈহন্নবা (ময়েক চৎহন্নবা) হোৎনবা অমদি খুন্নাইসিদা মতিং লৈনা, মতমগী অওনবশিংগা ঈরোইননা হিংবদা চঙবা মহৈ-মশীন কয়াদু মফম-মতম চানা ফংহন্নবা হোৎনবা হায়বসি তরাই-তরাইবা থবক্তি নত্তে। ঙসিগী চাওখৎপনা খম থেংলবা চহীচা অসিদা মতম-মতমগী হোংলক্লিবা অওনবশিং, চৎনবীশিং অসি খঙনা হিংবা ঙম্ন নবা হোৎনবদা থবক য়াম্না ৱানা শূজ-নোমজরীবা নুপী পূম্নমক ফনা চিল্লবসু চিন্না ময়েক চৎহৌননবা অমদি তঙাইফদবা লাইরিক-লাইশু অমদি মহৈ-মশীন অদুদি তমহৌনবা-হৈহৌনবা মতম খজিক্তং ওইরবসু খাইদোক্নবা হোৎনবীয়ু হায়বসি এদল্ট এদ্যুকেসনবু লাইনীং ওইজরিবা প্রোফেসনেলশিংগী খোল্লাউ ওইগদবনি। লৈঙাক্না লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি ফজনা খঙহন্দুনা হায়রিবা শোত্থহৌরবা নুপীশিং অসিবু লাইরিক তম্নীংবা ফাওহনবা, মখোয়না ইকায়রোইদবা য়াম্না হৈনীংগদবা মফম-মতম চানা শাগৎপসি অমুক্তংবু ঙমখ্রবদি থৌরাং অসি মায় শোয়দনা পাক্কনি হায়বসি অচেৎপা থাজবনি।

ডোক্তরনা ইরকপা হীদাক্কী চেদু পারগা মতম চানা অমদি চাং খঙনা হীদাক চাবা ঙমজদবা, পাঞ্জিনা ইরকপা কুঠি য়েংলুবগী চেদু পারগা করি নুমীত্তা করি-করি পোৎচঙ-চৈজং লৈদুনা লাই খুরুমথোক্কদগে হায়বা খঙজদ্রবা, উসবকী পোৎ চৈ লৈরুনবা বামোন্না ইরকপা লিষ্টতু ফাওবা পারগা কৈথেল কাবা ঙমজদ্রবা ঐখোয়গী লায়রবা অমদি শোত্থহৌরবা ইমা-ইবেলশিং অসিগী পুন্সিদা অতোপ্পা খুদোংচাদবা কয়ামুক মায়োক্নরমগনি হায়বদুদি ঐখোয়না খনবদা লাম্বা খক ফংলরোই। নহানমখৈ ইমানা ইমুং-মনুংগী থবকসি কয়ামুক তৌবগে, ইমাসি কয়ামুক মরু ওইবগে হায়বদু ইমানা য়ূমদা লৈতবা নুমীৎতুদা শোয়দনা খঙগনি। অদুনদি ঐখোয়গী ইমাসি ইবা-পাব তঙাইফদনা হৈহন্দুনা বেসিক এদ্যুকেসন ফংহনবা হায়বসি কয়ামুক মথৌ তাবগে হায়বদু খন্দুনা য়েংমিন্নসি। হোম সাইন্সকী নোলেজদু ইমানা খঙজরবদি ইমুংগী মীয়াম পূম্বা হায়জিনিক ওইবা বেলেন্স দাইট চাবা ফংলগনি, শেল-থুমগী ফীভমসু ফগৎপগা ঈরোইননা হীরম খুদিংমক্তা ফীভম ফগৎলক্কনি অমদি চাওখৎলক্কনি। নুংঙাই-য়াইফবা য়ূম্বান হায়বদু শোয়দনা ওইরক্কনি। মতমগা চুনদ্রবা, মরম চাদবা সাইন্টিফিক ওইদবা খুন্নুংগী থাজনবী (অন্ধবিশ্বাস/অপঙ থাজ) কয়াদা লুপ্তুনা মতম অমদি শেল কয়া অরেম্বদা মাঙহন্দুনা খুন্নাইগী চাওখৎ-লমজেলদা চাউনা থিন্থহল্লিবা কয়াসি কোকহন্ননবা অমত্তা ঙাইরবা লম্বীদি লাইরিক তম্বনি। লাইরিক-লাইশু তম্বদা মতম থেংবা হায়বা অমা লৈতে। পোকপদগীনা শিদ্রিফাওবা লাইরিক তম্বা হায়বসি খক লোইদে।







চহী কয়াগী মমাঙদগী ইন্দিয়া লৈঙাক্না লেপ্তুনা চত্থরক্লিবা Total Literacy Campaign (TLC), Post Literacy Programme (PLP) অমদি Continuing Education Programme (CEP) নচিংবা খূৎশিন-থৌরাং কয়া হৌখ্রবা ফাওবদা ঐখোয়গী নুপী ময়াম অমা লাইরিক হৈহৌদ্রিবসি মখোয়সি কদাইদা চৎথোক্লুরবা জাৎনো নৎত্রগা টার্গেট গ্রুপ্তা চলহৌদ্রবা জাৎলা খঙদে। নৎত্রগনা মীংদি চল্লগা লাইরিক তম্বীহৌদ্রব্রা? তম্বা য়াওবা ঙমহৌদ্রবা জাৎলা হায়বসিসু নৈননীংঙাই ওইরি। হায়রিবা adult learner শিং অসিদা হেন্না ইফেক্টিভ ওইগদবা লার্নিং এনভাইরোনমেন্ট অমা পুরকপা ঙম্ননবা খুল-লৈকায় খুদিংগী অঙ্গলৱাদি ৱার্করশিং, আশা ৱার্করশিং, সেল্ফ-হেল্প গ্রুপ অমদি শিংলূপ-মরুপকী লুচিংবশিং, মৈরা পায়বী (নিশা বন্দ) গী লুচিংবীশিং, মৌফালনচিংবা নুপী লূপকী লুচিংবীশিংনচিংবা কয়ানা তাকপী-তম্বীবগী থবক্তা য়াওশিন্দুনা Volunteer গী রোলশিং অদু লৌবীরগদি য়াম্না কান্নগনি, থবক্কী মহয় শোয়দনা য়ানগনি হায়না খল্লি। মরমদি মখোয়গা adult learner শিং অসিগা অয়াম্বা মতমদা পূল্লি, লোয়নৈ অমদি য়াম্না কোইনদে। য়ারগদি লৌবুক-ইঙ্খোলদা থবক শূরিবশিংগী মরক্তা খুল্লং কুম্বী ওইনা, নূং-লৈঙোই পেকফমদা, য়ূম শাফমদা, চেক্কোন্দা অমদি নূং তকখায়ফমদা শিন্মী ওইনা, কৈথেলদা পোৎয়োনবী ওইনা, পাৎ-তুরেলগী ঙা ফাফমদা ঙামী ওইনা, ফিশাফমদা ফিশাবী ওইনা অমদি অতৈ অতৈ থবক শূফমশিংদা হকথেংননা য়াওশিন্দুনা adult learner শিং অদুগা মতম অয়াম্বদা তোৎন-তিন্নদুনা তাকপী-তম্বীবগী থবকশিং চত্থরবদি অমুক্তা হেন্না ইফেক্টিভ ওইগদ্রা হায়নসু নীংই। হায়বদি থবক শূবী শিন্মীশিংগী মরক্তা য়াওরিবা লাইরিক-লাইশু হৈবী নুপীশিংদা ভোল্যুন্টিয়রগী ত্রেনিং অসি ফংহন্দুনা য়াম্না নক্লবা অমদি কোইনদবা মখোয় মশেলগী মরক্তা প্রোগ্রাম অসি মনীংতম্না চত্থহল্লবদি হেন্না ফগদ্রা হায়বসিনি। নেসনল ফিমেল লিটরেসি প্রোগ্রাম অসিদা য়াওরিবা কম্পোনেন্টশিং অসি চত্থ-চত্থনা হৌজিক্কী মতমদা তঙাইফদনা খঙদবা য়াদবা নোলেজশিং হায়বদি Health Education, Sexual Education, Consumer Awareness, Home Science, Moral Education, Professional Hazards, Agricultural Literacy, Environmental Literacy, Financial Literacy, Electoral Literacy, Legal Awareness নচিংবা কয়াসি মফম-মতম চানা তাঙ্কক নাইনা হায়রিবা Woman adult learner শিং অসিদা হৈহন্দবা য়াদবনি। মণিপুরদা এদল্ট এদ্যুকেসন প্রোগ্রাম কয়া মায় পাক্না চঙশিল্লকপগী শরুক ওইরিবা দিরেক্টরেট ওফ এদল্ট এদ্যুকেসন, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী দিপার্টমেন্ট ওফ এদল্ট কন্টিন্যুয়িং এদ্যুকেসন এন্দ এক্সটেন্সন, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগা খূৎশম্নদুনা কন্না চত্থরক্লিবা কনভর্জেন্স প্রোগ্রাম অসি তুং কোয়না হেন্না-হেন্না ফবা পোলিসি কয়াগা লোয়ননা চঙশিন্নরবদি শোয়দনা লিটরেট মণিপুরগী মঙলান্দু মঙফাওনগনি।

"Every Woman adult learner of Manipur should be literate and should possess the knowledge & skills necessary to compete the global economy & exercise the rights and responsibilities of citizenship"

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৭

১। পেনাগী খূৎ ওয়না পায়রিবদুনা পুংমায় কৌই। খূৎ য়েৎনা পায়রিবদুনা চৈজিং কৌই। যন্ত্র অসিগা মরী লৈননা ৱাহং অনীসিগী পাউখুম পীয়ু: (ক) চৈজিংদা হাপ্লিবা শরিক মশীংদু কয়ানো? (খ) নিংথৌগী থৌগলদা শক্কদবা পেনা শৈরোল কয়া লৈ?

২। "নাকোং থাঙ্গত্তুনা তারি/মপাং কায়নরবা থঙ্গোংগুম/নুংশিৎকী শউম ফাওবা।" পরেংশিংসি জননেতা ইরাবতকী শৈরেং অমদৈ লৌথোকপনি। শৈরেং মমিংদু হায়য়ু।

৩। "অদুঙৈ/মীৎ উইশিন্দুনা খাঙখিবা/ফৈদাপুং ঙসিদি/মায়থোঙ মকা-লাম্বগী খূয়া তুশিৎপা ফংজরে।" পরেংশিং অসিনা 'মীৎ নহাগী পাউখোঙ' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। কবিদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "মহৌশা লাইরেন্বীগী মশাইগোন্দা য়াতররিবী অরুনাচল প্রদেশ" কৌবা লমকোয় ৱারীগী অইবীদু কনানো? মমিং হায়য়ু।

৫। "ইমাগী থবাক মপৈশে/ইহৌরক্ত্রবা খোল্লাংনি/ইচাশিংগী ৱাবা উবদা/ইমা খাঙবা ঙমদরে।" পরেংশিং অসিনা শৈশকপা হামোম নবচন্দ্রগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।

**মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫, শগোলশেল নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।**

## মরোল থোকপা লাই

